# অচুম্বসিবু লৈরিবরা - ৪

- ডা. এল শশীকুমার, য়ুরেম্বম -

ঙসিদি থবক্লা অচুম্বা অশেংবা উৎপা মতমনি। ৱা ঙাঙথোকখ্রগা খুদক খুদক্কী মীয়ামগী খূবাক লৌনবা হোৎনবা মতমদু নত্তে। মীয়ামগী মমাঙদা ৱাজাউ ঙাংবনদি অখঙবা অহৈবা শাবগী মতমসু নত্তে। মসি পূম্নমক্কী মথক্তা পোলিটিক্সপু করবার ওইনা খনবশিংনা মীয়াম্বু হুমদুনা পুনবগী চৎন-লোনচৎ থাদোক্লরসি। ঙসিগী লাইরিক লাইশুনা অচুম্বা অশেংবা ইখঙ খঙনরবা মতম ওইরক্লে।

পোলিটিকেল পার্টিশিংনা মীচম মীয়াম্বু হুমদুনা পুবগী মতমসু লোইশিনখ্রে। মসি ঙম্নমক কাউথোক্লবা মতমসু ওইদ্রে। চাওখৎলবা মতম ওইরে। লাইরিক হৈবা হৈতবা পূম্নমক ৱাখল খরা খরদি তান্নরক্লে। সেপ্টেম্বর থা অসি খ্বাইদগী তোপ তোপ্পা থা অমনি। সেপ্টেম্বর থাগী তাং ৫বু মীয়াম্না ওজাগী নুমিৎ হায়দুনা থৌরম পাঙথোক্লরি। মসিগী মনুংদা পোলিটিকেল পার্টিশিং ওজাশিংবু ঙমখৈ লৈতনা থাগৎনরি। ওজা পূম্নমক ওজানা তাকপী তম্বীরগা শেম্বীরকখিবনি। মরম অদুনা ওজাশিংবু কাউফমসু থোক্তে। অদুবু ঙসি মণিপুরদা ওজা হায়বসিবু কদাই ফাওবা পুজা তৌনরিবগে? মীয়াম তিনবা মফমশিংদা ৱাজাও ঙাঙবগী থবক কয়াদি ফজনা তৌনরি। মপূং ওইনা ওজাবু থাক ৱাংনা থম্বীবগী মওং কয়াদি নোংম-নোংমগী লাপথোক্লরক্লি। মীওইবা খুন্নাইসিবু অনৌবা মায়ওনদা পুরক্লিবা ওজাশিংবু পুজা তৌবগী থবক কয়াদি করিসু উনদে। মসি পূম্নমক খঙনদবদি নত্তে। ওজা য়াওদনা খুন্নাই শেম্বা য়ারোই। ওজাবু কনখৎপীবগী মহুত্তা নোংম-নোংমগী লাপ্পা লৈরক্লি। লৈঙাক্কী কর্ম্মচারি খুদিংমক ওজানা শেম্লকপনি হায়বসি কাউথোকনৈ। লৈবাক অমা শেম্বদা ওজাগী মথৌ মশীং খঙদনা লৈ। অদুবু ঙসিগী চাওখৎলবা যুগ অসিদা ওজাগী মফম লৈঙাক্লা কদাই ফাওবা য়েংশিনবীরি হায়বসি থবক্লা খঙনরবা ঙাক্তনি। মসি পূম্নমক খঙনা খঙনা থৌশাবীদবসি লাইবক থীবনি। মপূং ওইনা লৈঙাক্কী থবক তৌবদা ওজাশিংবু মী ওইনা শিংথানদবসি নোংম-নোংমগী হেনগৎলকই। মপুংদা লৈঙাক্কী থবক তৌরিবশিং খুদিংমক্লা ওজাবু মী ওইনা শিংথানদে। মরম অদুনা ওজাগী থাগী তোলোপ ঙসিগী লৈঙাক্লা থৌশাবীদবসি য়াম্না কুপ্পা খন্থবা মতম ওইরে। ঙসি ফাওবা ওজাশিংগী থাগী তোলোপ মতিক চানা পীবিদে। শম্না হায়রবদা কোলেজগী ওজা, য়ুনিভর্সিটিগী ওজা ফাওবা থাক হন্থনা থম্বীবসিদি খরদং কন্না হেন্না খন্থবা মতমনি। ওজা য়াওদনা খুন্নাই অসি শেম্বা ওইথোকপা শুকয়ামক য়াররোই। মরম অদুনা ঐখোয়গী লৈঙাক্লা ওজাবু অৱাংবা থাক্তা তোপ তোপ্পা থম্বীফম থোকই। ওজাগী শিনফমদা লৈরিবশিংবু কনানসু থৌশাবীদে। লৈঙাক্কী শিন্মী খুদিংমক্তগী তোপ তোপ্পা মফম অমা কনবীফম থোকই।

ওজাশিংগী তোপ তোপ্পা মশক থোকপা খরদি পায়খৎপা মতম ওইরে। মরম অদুনা ওজা হায়বা শিনফম অসিদা লৈরিবশিংনা মশা মতোমতা ফাওবা হন্থনা খনবগী ৱাখল লৈরিবশিং থাদোক্লবা লৈঙাক্লা তোপ তোপ্পা থবক পায়খৎপা মতমনি। সেপ্টেম্বর ৫বু ওজাগী নুমিৎনি হায়না লৈঙাক্লা লাউথোকচরবসু ওজাগী থাক করিসু অওনবা অহোংবা লৈতে। মরম অদুনা লৈঙাকপশিংনা তৌনীং তৌনীংবা থবক ওইনা উহনবদি লাইনসু য়াররোই। মীওইপোক্লসু য়াবা ঙম্লরোই। মপূং ওইনা ওজাগী শিনফমবু লৈঙাক্লা কুপ্পা খন্থবা মতম ওইরে। লৈঙাকপশিংনা মখোয়গী থাগী তোলোপ হেনগৎচবগুম ওজা ওইবশিংগী থাগী তোলোপ মতিক চানা পীবিদবসি লানগনি। কোলেজগী ওজা, য়ুনিভর্সিটিগী ওজা ফাওবা থৌশাবীদবসিদি খ্বাইদগী লানবা ওইগনি। মসিগী মথক্তা এম এল এ, মিনিষ্টরশিংনা থা অমগী তোলোপ ফংলিবশিংদগী ওজাশিংগী তোলোপনা হেনফম থোকপনি। ঙসিগী এম এল এ অমনা থা অমদা লুপা লাখ ২.৫গী তোলোপ ফংলগা কোলেজগী, য়ুনিভর্সিটিগী ওজা অমনা থা অমদা ফংলিবা তোলোপকা চাংদম্নবীয়ু। ওজাগী শিনফমদা লৈরিবশিং এল পি, ওজাগী মশাগী ক্লাস, কোলেজ অমসুং য়ুনিভর্সিটিগী ওজাগী মহৈগী থাক কদায় ফাওবা দরকার ওইবগে হায়বসি লৈঙাক পায়রিবশিংনা খন্থবীয়ু।

মতাংসিদা হেন্না পঞ্জনীংলিবদি লৈঙাক্কী শিন্মীশিংগী থাগী তোলোপকী মতাংদা ৱাথোক-লান্থোক কয়া থোকই। অদুবু লৈঙাকপশিংগী থাগী তোলোপকী মতাংদদি করিসু মনা মনিল নাইদনা মখোয়না লৌনীং লৌনীংবা লৌবগী থবক তৌবসিদি মীনসু, লাইনসু ঙাকপীফম থোক্তে। হীরম অশোমদা খরদং মীৎয়েং হেন্না চঙবীফম থোকই। নাকল অমরোমদা এম এল এ, মিনিষ্টর অমগী ক্লাস কদাই ফাওবা দরকার ওইবগে হায়বসি মীয়াম্না খঙনরি। মসিগী মনুংদা এল পি, হায় স্কুল, কোলেজ, য়ুনিভর্সিটিগী ওজা ওইবগী ক্লাসকী থাক ইন্দিয়া লৈঙাক্লা চপ চাবা থাক খঙনরিবনি। অদুবু ঙসি ফাওবা ওজাবু করম্বা থাক্তা লৈরিবগে হায়বা মীয়াম্না খঙনরি। ঐখোয়গী ইন্দিয়াগী চৎনরিবা মওংসি খরা হেন্না নৈনবীফম থোক্তবরা? ইন্দিয়াগী মনুংদা এম এল এ, এম পি অমগী মতিক চাবা মহৈগী থাক থম্বীদবসিদি পূম্নমক্কী খ্বাইদগী লাইবক থীবনি। আইনবু শেমগদৌবশিংনা ইংলিস, হিন্দি, মমালোল খঙদবশিংনা মতৌ করম্না অসুক চাউখ্রবা ফম অমগী মহৈগী থাক লেপ্তুবসিদি অফবা ওইবা খক য়াররোই। মরম অদুনা চোঙথোক-চোঙশিনগী আইনবু থৌশারক্তবা তাবনি। লৈঙাক অমগী মগুনসি মতাংসিৱাইদা হেন্না কূপ্পা নৈননীংঙাই লৈতবা নত্তে। মরম অদুনা ঐখোয়গী ইন্দিয়া লৈঙাক্কী চৎনবীসি য়াম্না শেমদোকপা দরকার লৈতবা নত্তে। মরম অদুনা ইন্দিয়াগী পোলিটিক্সসিদি ৱাথোক মশীং খঙদনা থোক্লবগী পোরম ঐখোয়গী কন্সটিট্যুসন কূপ্পা নৈনবীফম থোকই। ইংলিস, হিন্দি, মমালোল মমুৎ তানা খঙদবা কয়ানা আইন শেম্বদা য়াওবা য়াফম থোক্তে।

ঐখোয়গী লমদমসিদা অচুম্বসিবু মফম কদাইদা লৈরিবগে? অচুম্বা থবক ফজনা চৎনরবদি করিগী লৈবাক ৱাথোক ওইরুগনি। অচুম্বা চৎনদবদগী লৈবাক ৱাথোক মথং মথং থোরকপনি। ৱাথোক লাক্লিবমখৈ চাওখৎপা পুরকপা খক ঙম্লোই। মসিসু অর্থ য়াম্না লৈনা মীয়াম্না লৌনরক্লি। মপূং ওইনা লৈঙাক্লা লাউরি মীয়াম্না তাবীদে, মীয়াম্না লাউরি লৈঙাক্লা তাশিন্নদে, করম্না অচুম্বা পুরক্কনি। মমৈথংদা ইকায়বা খঙদবা হুরানবা পাম্বীশিংনা তৌনীং তৌনীংবা তৌরবদি লৈবাক ৱাথোক মশীং খঙদনা থোরকপা তাবনি। ৱাথোক মশীং খঙদনা থোরক্লিবমখৈ লৈঙাকপশিং শেন্দোং ঙাক্তনি। শেন্দোং লৈত্রবদি করবার তৌনীংফম থোক্তে। পোলিটিকেল পার্টিশিংদি শেন্দোং তানবা ওইনা থোরকপনি হায়বসি মীয়াম্না খন্নে। ঐখোয়গী লৈবাকসি হুরানবদা ছো শিন্নবসি অসুম চথরক্লগদি অরেং অরেং পুত্থবা তাবনি। মপূং ওইনা য়োংনা তল য়েনবগুম ইকায়খঙদবা পোলিটিকেল পার্টিশিংগীদমক ঐখোয়না য়েংদুনা অসুম কয়াম কুইনা খাঙখিসিগে। ●

# পুন্সিসি নীংঙমদবনা পীক থল্লি

## (মীওইবগী মপোক্তা মপূং ফাবা মীদি খ্বাইদগী অতাঙবনি)

– কর্নেল ঐচ সরত (রিটাইয়র্দ) –

ঐখোয় তাইবঙ মপোকসিদা মনীং থুংবা, অৱাংপা অমত্তা লৈতবা অমসুং অচুম্বতা পাঙথোকপা মীদি খ্বাইদগী অতাঙবা মীশকশিংনি। অমা নৎত্রগা অমদা অৱাংপা অমদি শোয়দনা লৈরমই। অতোপ্পা ৱাফম অমনা, ঐখোয় পূম্নমক ইশানা-ইশাগী অশোয়বদি খঙজদবা, অরানবদু চুমথোক্কে হায়বদুদি থোইনা খন্থরুদে। ইশাগী অশোয়বদু খঙজবা নুমিৎতুনি ঐখোয় পূম্নমক পুন্সিগী মঙাল অমা উরক্কদৌরিবসি। শিগনি কাউবা মীওইবনি। কনানসু খঙদে করম্বা পুংজাদা, করম্বা নুমিৎতা তাইবঙপালসি থাদোক্লগা চৎকনি হায়বসি।

মীওই খরনা মরাইবক ফত্তবা হায়গদ্রা হেক পোক্লকপদগী পুন্সিগী খোঙচৎতা অৱাংপা পূম্নমক ইমুংদুদা পৈরগা লৈরম্লি। কনাগুম্বা খরনা হেক ৱাখল তারকপদগী ৱাখল খনবা ঙম্লকপদগী ইমুংদুদা অৱাংপগী অৱাংপা ঙাক্তা উরকখি। ঐসু অৱাংপগী অৱাংপা ঙাক্তা লৈরম্লবা ইমুংদা পোক্লকখি। মীগী নুংঙাই-য়াইফবা, অৱাৎ-অপা লৈতবা ইমুংদু ঐগী ওইগে হায়রুবা য়াবা নত্তে। লায়রবগী পনখৈগী মৈরিসি করম্না কোক্কনি হায়বসি ঐহাক্লা অঙাং ওইরিঙৈদগী য়াম্না মুন্না খন্থবা হৌরকখি। অদুনা খুন্নাই অসিদা চৎনরিবা, নোংথক্তা পাইরিবা লৈচিলগুম্বা, মীৎকী কুম্মৈ অমসুং ঈথক ঈরাংগী থৌরম অমত্তদা থৱায় তাদে। অঙাং পীশক ওইরিঙৈদগী ঐখোয়গী শুমাংদা লীলা তৌবদু ঐহাক য়েংলকখিদে। কংলৈপাকসিদা পাঙথোক্লিবা মেলা অমত্তা য়েংদ্রি। থম্মোয়না য়াদে, ঙহাক-ঙহাক্কী মীৎকী কুম্মৈসি।

খুন্নাইসিদদি করিসু লৈতবা চে মচেৎ (পৈশানি হায়না চৎনরিবা) অসিনা মীওইবগী মপোক্তগী হেন্না মতিক মগুন হেল্লি। পৈশানা মী লৈবা য়ারি। পৈশানা মী ফাওবা শাবা য়াবগী ফীভমদা লৈরি। মীনা পৈশা শাবনি হায়বসি কাউখ্রবা খুন্নাইনি। চে মচেৎতুগী ঐদি করিসু নাচুংবা লৈরক্তে। ঙসিসু লৈতে। চে মচেৎতুনা লৈবা য়াবা মীদি ঐহাক নত্তে। তাইবঙপানগী লন-থুমদা লৈবা য়াদবা মী ওইবীয়ু।

কুমজা ১৯৬০গী মতমদুদদি লৈকায় অমদা চাবা থকপা ৱাৎতবসি ইমুং অনী/অহুমদগী হেল্লমদে। ইমুং অয়াম্বসি কৈথেলদগী ফৌ-চেঙ ৱাল্লগা চানরম্বা ঙাক্তনি। ৱানা-ৱানা হিংনরমখি। অদুবু মীওইবগী মীনুংশি হায়বদুদি য়াম্না লৈরমখি। অৱা-অনাগী মতেং য়াম্না পাংনরমখি। য়ু থকপা মী ইরৈ লৈরমদে। শা-ঙা কয়া চারমদে। য়েরুম ফাওবা ইমুংগী লৈরংদা হৌরগা চারমদে। ইমুংগী মপালদা হৌরগা চানরমখি। ষণ চঙদনবা ৱাগী থোঙ্গাল পাল্লমখি। ইঞ্চোল অমগা অতোপ্পা ইঞ্চোলগা ইফাও ফাওনরমখি। খুন্নাইসি ফরমখি।

বৃটিশকী পোলিটিকেল এজেন্টনা লৈরম্বা (হৌজিক্লা রাজ ভবন) ফাওবসি Barbed-wire (তিঙ্খং তরা) না খারমখি। চাক্লাম খোঙচৎকী মতুংদা চেক্কী চেকপল খাখিবনি। চীফ মিনিষ্টরগী য়ূম অসিসু দেপ্যুটি কম্মিস্নরনা লৈরম্বা য়ূমনি। কংলৈপাক অসি সুপরিন্টেন্দেন্ট ওফ পুলিস (এস পি) অমখক্লা ঙাক্লল্লিবা লৈবাকনি। ক্রাইম য়াম্না লৈরমদবা মফম ওইরমখি। ৱাখল ইনাক খুল্লমখি।

করি তৌরগা, করি তম্লগা ঐহাকসি মীমান্নবা ঙমগদগে হায়বসি মতম পূম্নমক্তা খনখি। চারা অনী মপূং ফানা চাবা ঙমদ্রিবা ঐহাক্লা কুমজা ১৯০২দা লিংখৎখিবা Prince of Wales, Royal Indian Military College, Dehra Dun দা লৈবসিগী পরিক্ষা কুমজা ১৯৬৬তা থাখি। নীংঙমদবগী লানদুদা মায়োক্লগে খল্লগা থাখিবনি। ইতোমতনা হোৎনজরগা থাবনি। অপোকপী ইমানদি অসুম্না হায়বীখি "নুপামচানি, নরাইবক য়েংউ"। দি এম কোলেজগী এন্থ্রোপোলোজি হোলদা পরিক্ষা অদু পাঙথোকখি। য়ূম (ৱাংখৈ) দগী পরিক্ষা য়াওনবগী বাই-সিকল ফাওবা লৈত্রিঙৈগী মতমনি। কাকা মুতুম চাওথোইদগী ইমানা বাই-সিকল অদু ৱাইবিখি।

পরিক্ষা থাবা লাকখিবা ইমান্নবা অতৈদি মমা-মপানা কারদা, স্কুটরনচিংবদা থিল্লকখিবা ঙাক্তনি। রিট্টন টেষ্ট মতুংদা, মথংগী নুমিৎতনা Viva-Voce (Interview) তৌখি। ইন্টরভিয়ুগী বোর্দ মেম্বরদি Education Secretary, Mr. Hangshing, IAS, Lt. Colonel Sharma (NCC office তগী) অমসুং Shri N. B. Sinha, Principal, DM College না ওইখি। লাইবক ফবা হায়গদরা মখোয়না হংলকপা ৱাহং পূম্নমক্কী পাউখুম ঐহাক্লা অচুম্বদু খুম্বা ঙমখি। ঐগী বেটচতদি খ্বাইদগী ৱাংনা মার্ক ফংবদু ঐহাক ওইখি হায়বদু কোলেজ অদু য়ৌরগা কোন্না খঙলকখি।



অঙাং পীশক পীক্লিঙৈদা উখিবা সিনশিংদু হৌজিকসু মিৎতা উরি। অৱাবশিংদু কাউবা ঙমদে। কাউফমসু থোক্তে। ঐখোয় মীওইবদি হৌরকফম কাউবা য়াদে। নীংঙমদবগী পল অমা লানখ্রবসু মশীং খঙদ্রবা পল য়াম্না ইমাংদা লৈরি হায়বসি ঐহাক কাউদে। পুন্সি হায়বসি পল মথং মথং লানবদুনি। পুন্সিসি লানফমনি।

অঙাং ওইরিঙৈদগী হৌনা ঙসি ফাওবদা নীংঙমদবদগী ৱাখলনা অমসুং থবক্লা পীক থল্লি। নীংবা থুংনা অঙাং ওইরিঙৈদা পুন্সি লেল্লকখিদে। আর্মিগী পুন্সি অসি ইশানা পামজবা থবক নত্তে। মতম চানা ইশাগী অপাম্বা, হৈনগদবা অমসুং চান্নগদবা থবক্তু কনানসু লমজিং-লমতাক ওইবিনবা কনাসু লৈখিদে। অঙাং অমা ওইনা, পাখং-নহা ওইরিঙৈদা অমসুং হৌজিক ফাওবদা পুন্সিগী লম্বীসি চৎপদা করম্না চৎকদগে হায়বসি তাকপীনবা, তান্ননবা অমসুং খন্ননবা কনাসু লৈখিদে। ইতোমতনা খঙ্জবা ৱাখলদি য়াম্না শোয়খিবা, লানখিবা য়াওখি অমসুং য়াওরিবনি হৌজিকসু।

পাউচে অমত্তা গুৱাহাটিদগী পুথোক্কে খল্লগা জর্নেলিজমগী কোর্স অমা IGNOU (Indira Gandhi National Open University) দগী চহী অনীগী মতম চংনালাইরিক পারগা, পরিক্ষা অদু গ্রেদ-এদা পাস তৌখি। অদুনা জর্নেলিজমগী ইথিক্স অসি করিনো হায়বদু খঙজখি। খুন্নাই অসিগী ওইনা মীয়ামগী চপ চাবা ইথিক্স লৈতবনা মদুগী মমিদু জর্নেলিজমগী মায়কৈদসু য়াম্না ময়েক লানা তারি। কনাগুম্বা অমনা, কনাগুম্বা নৎত্রগা কনাগুম্বী অমগী অচুম্বা-অশেংবদু হায়রুবা, ইরুবা য়াদে। মসি খুন্নাইসিগী চৎনবীনি। মীয়াম্না খঙদুনা লৈরবদু পাউচেদা ইরুরবদি Defamation case কোর্টতা থাঙ্গৎলকই। ফত্তবা মীগা কনানসু মায়োক্লনীংদে।

অচুম্বা-অশেংবদুনা চিনবান্দা, শেমজিন শাজিল্লগা ইরগা ফোঙদোকপনা পাউচেদা ওইরিবা খুন্নাইনি। খূবাকমুক পাকপা মফমসিদা থোক্লিবা অরোন-অথুপকী থবক থৌরমশিংসি হংলুবদা শিৎ-নান্না খঙলিবা ঙাক্তনি। অদুনা লমচৎ-শাজৎ মক্ত্রবা মীদি য়াম্না তাঙলিবা লমদমনি। মীনম্বা, ওইদবা, চুমদবা পুন্সি মরেল হায়বসি ৱাখল খন্থবা ঙম্বা মীগী খুদম নত্তে। ৱাৎলিদকো ইরৈচাশিং।

নোর্থ ইষ্ট ষ্টেটশিংদা খুন্দাদুনা লৈরিবা মৈতৈ মচাশিংগী ওইবা পাউচে অমসুং মেগাজিন অমা গুৱাহাটিদগী ফোঙগে খল্লগা হোৎনবা য়াবা মখৈ হোৎনরমখি। দি অসাম ত্রিব্যুনদগী মতেং ফাওবা অহৌবদা পাংগে হায়বীরকখি। কনানসু মতেং পাংবীনবা লৈতবনা থবক ওইনা পাঙথোকপা ঙমখিদে। ঐনা ইবা আর্টিকলসি ফোঙলিবা পাউচে পূম্নমক্লা ফোঙবা ঙমদে।

অফবা থবক্কী সজেসন পীরুবা য়াবা লমদম নত্তে। লাইরিক তম্লিবসি করি মরমগীনো হায়বসি খঙনদরে, খন্থদরে। Doctorate ফংবনা মহৈ তম্বগী অরোইবা তাঙ্কক ওইবা য়াদে। ফত্তবা, মীনম্বা, হুরানবা, অরোনবা থবকশিং তৌনবগী লাইরিক তম্বা নত্তে। মশানা মেত্রিক ফাওবা পাস তৌদনা ফেক সর্টিফিকেটনা গ্রেজুএটনি, পোষ্ট গ্রেজুএটনি, প্রেস কাউন্সিলগী প্রসিদেন্টনি, মিনিষ্টরনি হায়না লীলা শান্নরম্বদু চহী কয়া কুইবগে? মীওইবা ঐখোয়দি মীনমলোইদবনি। ইকায়বা খঙনা পুন্সি হিংদবা য়াদে। পুন্সিসি অমকপা অমত্তা য়াওদনা হিংলমগদৌবনি। অফবা লম্বীগা, ফত্তবা লম্বীগসি তোঙান তোঙানলি। পূনবা য়ারোই অফবগা ফত্তবগসি। য়াম্না অঙকপা খুন্নাইনি। ইকায়বা হায়বসি শুকলৈ লৈত্রে। জঙ্গলদা লৈবা জীবশিংগা চপ মান্নখরে ঐখোয়সু।

এদ্যুকেসন অসি মফম অসিদদি ফেসনগা চপ মান্নরি। লাইরিক লাইশুদা থৱায় য়াওবনা স্কুল লিংখৎপদি মায় পাক্লোই। অদুগা ফেসন দিজাইনর অমনা স্কুল লিংখৎলবদি য়াম্না চাউনা মায় পাক্লি। খুন্নাইসিদা স্কুল লিংখৎলিবা মীশিংগী করিয়র প্রোফাইল অসি করম্বনো হায়বদু য়েংবীয়ু। প্রাইভেট স্কুল, প্রাইভেট হোস্পিটাল, প্রাইভেট প্রোপর্টি, প্রাইভেট প্রেস ক্লব, প্রাইভেট হায়বা ইংলিসকী ৱাহৈ অসি খুন্নাইসিগী খ্বাইদগী পাম্নবা-চান্নবা ৱাহৈনি। ৱাজাও ঙাঙবশিংগীনি প্রাইভেট প্রেস ক্লব হায়রিবসি।

লন থুমদা মীকাবা অমত্তা লৈতে। ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর ওইরিবা অসিগী পোকেটতগী পীরিবা ভারত রত্না এৱার্দতা ফাওবা করিসু কল্লকপা থম্মোয়দা ফাওদে। মালেমগী মীয়াম্না শীংথানরিবা নোবেল প্রাইজ ফোর লিটরেচরগুম্বা মনা-মথুমদদি থম্মোয়না ফংনীংবগী ইথিল ফাওই। মালেম অসি মীওই অমগী ওইরবসু মীওইদু করিসু কল্লকউদে। মীদুদি শিগদৌরিবনি। মালেমদি লেঙদনা লৈহৌগদৌবনি। হুরানবগী লন-থুম্বু মীরোল কয়া নুংঙাইবা য়াগদগে? মীরোল অমদগী হেন্দবনি। হুরানবা হায়বসি মিংদা অমুবা চুখ্রবা মিংথোলনি।

ঐহাক্কী ৱাখলদদি খ্বাইদগী মপূং ফাবা মীদি মালেমগী মী পূম্নমক্লা থৱায় য়াওনা পানীংনবা ইবা ঙম্বা মীওইদুনি হায়জনীংই। মীওইবগী মপোক্তা লাইরিক লাইশুদগী হেনবা করিসু লৈতে। লাইরিক্কী মী হায়বসিদি অফবা মপোকনি। মালেমসিদা ইনাক খুনবা, মশানা মশাবু ফৈ খঞ্জবা, ৱাজাউ ঙাঙবা, মীনম্বা মীদি মশীং খঙদনা লৈরিবনি। অদুবু চহী খুদিংগী Nobel Prize, Magsaysay Award পীননবা থিবদদি মথক্কী পঞ্জখ্রিবা মখোয়সি অমত্তা য়াওবা য়াদ্রি। তাঙলিবসি অফবনি।

খুন্নাইসিগী অর্থ কংখ্রবা চৎনবী অমা লৈরম্লি। ইমুংগী মচা অহলনা খ্বাইদগী অৱাবা পোৎলূম পুহল্লি। লন-থুম অমত্তা পীদে। মচা অতোনবনা খুদোংচাবা পূম্নমক্তু ইমুংশিংদা পীনরি। মচা অহল ওইনা পোক্লম্বা ঐখোয়দি নীংঙমদবগী নীংঙমদবা ঙাক্তা, ঙাইরগা পুন্সি লোইখিদরা? লোইরোই। হেন্না মীংচৎ লৈবা থবকশিং পাঙথোক্লমগনি। হোংদোকপনা ফরবা চৎনবী, কংলবা কয়া অমা লংথোকখ্রসি।

ৱর্ল্ড ফেমস বুকশিংগী ফজখ্রবা লাইব্রেরি অমা হাংনীংবনি, কুইরবনি, ঙমদে। খুন্নাইসিগী অৱাৎ অপা ৱাৎপশিংদা অঙম্বা মতেং পাংবদা। অদুবু তৌবীমল খঙবা খঙবীদি ইয়াও য়াওদে। লাইরিক পাদবা, পুন্সিগী পাড়া ফাদবা, অহাওবা চানীংবা, থবক শুনীংদবা, ৱারেম ঙাঙবা, মীনম্বগী লিচৎ চৎপা খুন্নাইনি। লমদম অসিগী মীনা ৱর্ল্ড সিটিজন করম্বা মতমদা ওইরখিগনি? ওইরকপা ওইসনু থুনা।

পুন্সি শাংনা হিংলবদি মখল-মখলগী মীশিং থেংনরক্লি। ফরমগনি খল্লুবা অয়াম্বসি শা-ঙাদগী হেন্না শাথীরমই। নুপীনসু, নুপানসু তমথীবগী চাংসি য়াম্না ৱাংলম্লি। নুপানসু মহাক্কী লোয়নবীবু য়াম্না ওৎ-নৈবিবা, তাথী-তাওইননা লোয়নবসি মী অফবা অমগী শাজৎ লিচৎ ওইদ্রি। মী ওইরবসু থাঙ্গৈশেংনা মীদি নৎত্রবনি। অসুম্না নুপীনা মহাক্কী মপুরোইববু উশিৎ থৌওইনা লোয়নদবা, মখা থাবা মীতোপতৌনা হিংমিন্নবসি য়াম্না য়াওরি। পৈশানা মপুরোইবদগী হেন্না মরু ওই খনবসু ৱাৎপা নত্তে। নুপানদি পাখং শারগা নুপীদা মীনম্লগা নমদুনা লৌবসি অতাঙবনি। অদুগী ওন্ন-তৈনবদা লৈশাবী নত্তবদু লৈশাবী শারগা লুহোংবসু য়াম্না য়াওরি। মী অমগী অরোনবা লমচৎ শাজৎ থিগৎপদু ঐগী ইথৌ নত্তে। ফত্তবগী ফলদি মশা মশানা মতমনা ফংজবা ওইরসনু। ঈশ্বরগী ৱায়েল-বিচার মখোয়না শিদ্রিঙৈদা ফংগদৌবা ঙাক্তনি। ফত্তবদুদি মখোয়না লৈত্রবা মতমদুদসু শোয়দনা তারক্কনি। ধর্ম্ম কায়বা থবক্তি তৌরোইদবনি।

মসিদগী থৈদোক্লগা ঐখোয় মীওইবগী মরক্তা ঈশ্বরদগী হেন্না মতিক মগুন লৈবা মীওই খরসু হিংলিবনি। য়াহৌ ঙন্না হৌবা মীদি অফবা মীনি। অয়ূক হেক হৌগৎলগা নুমিৎপু খুরুমজৈ, মালেম ইমাবু লাইবক কৎলি। মথংদনা ইমা ইপাবু খোঙ শোক্লগা খুরুমজৈ। নোল্লুকপা হায়বসি ঐখোয় মীওইবগী ফজখ্রবা খুদমনি। অঙাংশিংদা অফবা দিসিপ্লিন অসি পীক্লিঙৈদগী তম্বীহৌদবা য়াদে। অফবা ইমুংদগী অফবা মীশিং থোক্লকপা হায়বসি মহৌশানি। ওইহন্নীংবা পূম্নমকসি ওইদবসি নীংবা কায়রবা, নীংঙমদবগী পুন্সিনি। Shri Natu Ram Sharma, Bhiwani (Haryana) দগীসিদি ঐহাকপু ঈশ্বরদগী হান্না খুরুমজখি। ●







পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।